# মীখলগী ফলগী মাঙওইননা মোদিগী মমায় উপ্পা মীওইশিংনা লদ্দু কেজি ২০০০ থৌরাং তৌখ্রে

**মুম্বাই, মে ২১(এজেন্সি)ঃ** হন্দক পাংথোকখিবা নেসনেল ইলেক্সনশিং অদুদা হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা য়ান্না লায়না মায় পাক্লগনি হায়না একজিট পোলশিংনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা অদুগী মতুংদা মহারাষ্ট্রদা পার্টি লূচিংবা অমা হান্ননা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লবগী থৌরাং তৌদুনা লৈখ্রে।

মুম্বাইগী বোরিবালিদা লৈবা অথুম –অহাওশিংগী মেনুফেকচরিং য়ুনিট অমদা নোর্থ মুম্বাই পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী কোংগ্রেস মীরেপ অমসুং এক্টর –পোলিটিসিয়ান উর্মিলা মতোন্দকরগী মায়োক্তা লম্বা থেংনরিবা বি জে পিগী মীরেপ গোপাল শেত্তিনা লদ্দু কেজি ২০০০ রোম লৈনবা হায়খ্রে।

অথুম অহাওশিং অদু তাঙ্কক ৭ থোক্লা পাংথোকখিবা নেসনেল ইলেক্সনশিং অদুগী ফলশিং লাওথোক্কদবা মে ২৩দা য়েংহোক্লবগীনি।

হায়রিবা লদ্দুশিং অদু শারিবা বিবেধাম স্বীটসকী মপু ওইরিবা ভারত ভাইনা ফোঙদোকপদা নোর্থ মুম্বাই বি জে পি মীরেপ গোপাল শেত্তিদগী লদ্দু কেজি ২০০০ লৈনবা ঐখোয়না ওর্দর ফংলে হায়খি।



লদ্দু মশীং অদু মসিদগী হেনগৎলকখিবা য়ারি। ঐখোয়গী বিবেধাম স্বীটসতা থবক শুরিবা মীওইশিং অসি মোদি শৌগৎপশিংনি মরম অদুনা মখোয়না মোদিগী মাইখুমশিং উপ্পগা লদ্দুশিং অদু শারি হায়না ফোঙদোকখি।

একজিট পোলশিং অদুগী মতুংদা ঐখোয়না কোংগ্রেসতগীদি অথুম –অহাও লৈগে হায়বগী ওর্দর ফংদ্রি। করিগুম্বা মীখলগী ফলশিং অদু একজিট পোলশিংনা পীরিবা মশীং অদু ওইবা তারবদি মখোয়না অথুম–অহাও লৈনবগী ওর্দর তৌরক্তবা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নোর্থ মুম্বাইদগী অমুক হন্না লোক সভা মেম্বর ওইনবা অশা তৌরিবা গোপাল সেত্তিনা ২০১৪দা মহাক্না মায় পাকখিবা অদুগা চপ মান্ননা অমুক মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুবু হন্দক্কী মতাং অদুদদি কোংগ্রেসকী উর্মিলা মতোন্দকরনা মহাক্কী মায়োক্তা অকনবা কেম্পেন অমা চৎখি। হায়রিবা পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসি বি জে পিগী অকনবা মফম অমনি খন্নে।

পার্লিয়ামেন্টতা সিট ৮০ থারিবা উত্তর প্রদেশকী হেক মথণ্ডদা সিট ৪৮ লৈবা মহারাষ্ট্রনা পার্লিয়ামেন্টতা লোমেকরশিং থাবদা ২শুবা খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেটনি।

ষ্টেট অসিদা বি জে পি –শিব সেনা অপূনবনা ওপোজিসনগী মায়োক্তা অকনবা লান্থেং অমা চৎখি। মুম্বাইগী পার্লিয়ামেন্টরি সিট ৬ লৈ। মদুগী মনূংদা গোপাল শেত্তিনা সিট অমদগী কন্টেষ্ট তৌরি।

# ইরানগী ওফিসিয়েলনা য়ু এসকী দোনাল্ড ট্রম্পপু অঙাওবা প্রসিদেন্টনি হায়না ফোঙদোকখ্রে

**টেহরান, মে ২১(এজেন্সি)ঃ** ইরানগী সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পপু মহাক্না টেহরানদা কিহল্লক্লিবা অদু থবক পাংথোক্লরোইদবা অঙাওবা প্রসিদেন্ট অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে অমসুং করিগুম্বা য়ু এস প্রসিদেন্ট অসিনা ৱারী শান্নবা পাম্লক্লবদি মহাক্না ইকাই খুনবা খরা উৎপা খক্তা নত্তনা অকনবা পাউজেল অমগা লোয়নগনি হায়না মখা তাখি।



ট্রম্প ক্রেজিনি অমসুং মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন চর্মন্নে হায়না ইরান পার্লিয়ামেন্টকী দাইরেক্টর ওফ ফোরেন এফিয়ারস হোসেন অমির–অবদোল্লাহেননা ঙরাং ইন্টরভিয়ু অমদা সি এন এন দা হায়খি।

মিষ্টর ট্রম্পনা ইরানবু য়ু এসতা কৈদৌঙৈদা কীহল্লক্কনু হায়খিবা অমসুং করিগুম্বা লান অমা পাম্লবদি মদু ইস্লামিক লৈবাক অদুগী ওফিসিয়েলগী অরেইবা ওইগনি হায়না টেহরানদা নোংমাইজিং নুমিৎতা ৱার্নিং তৌখিবা ত্বিট কয়াদুগী মতুংদা মিষ্টর হোসেনগী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লকখিবনি।

মহাক্কী ৱাখলদা, মিষ্টর ট্রম্পনা সেঙ্কসনশিংগা লোয়ননা ইরানগী মকোক্তা মহাক্কী নোংমৈ অমা লৈরে খল্লি অমসুং মহাক্না ঐখোয়গী ইকোনোমি থিংংজিন্নবা হোৎনরি। মসি পূন্নমক অসি ৱাখলনা শাগৎপা মহাক্কী মঙলাননি। হৌজিক মহাকপু ঐখোয়না করি তৌগনি, মসি অঙাওবা প্রসিদেন্ট অমনি হায়গনি হায়না অমির অবদোল্লাহেননা হায়খি।

ৱেষ্ট ৱিংদা লৈরিবা লান খৌরাংবশিং অদুদা খুদোম্বী থিল্লদুনা অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোল্টোনগী মমিং পল্লদুনা অমির অবদোল্লাহেননা হ্বাইট হাউসকী মনূংদা অমগা –অমগা মান্নদবা মত কয়ামরুম লৈ হায়খি।

হ্বাইট হাউস অদু কনানা মপু ওইরিবগে হায়বা কনামত্তনা খংদে হায়বা উৎপা মখল কয়াগী ঈঙ্গিৎশিং ইরাননা ফংই হায়রদুনা অমির অবদোল্লাহেননা মিষ্টর ট্রম্পকী ত্বিটশিং অদু মশানা মশাবু ককথৎচবা, অমগা–অমগা ওন্ন–তৈনবশিংনি হায়না মখা তাখি।

# ভি ভি পি এ টি চামদা ১০০ মশীং থীনবা হায়জরকখিবা অদু সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে

**ন্যু দিল্লি, মে ২১(এজেন্সি)ঃ** লোক সভা মীখলগীদমক লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎতা ভোট মশীং থীবা অদুদা ভি ভি পি এ টি (ভোটর পেপর ট্রেল স্লিপস) চামদা ১০০ ইলেক্ট্রোনিক মেচিন (ই ভি এম)না চপ চান্নব্রা য়েঙনবা হায়জরকপা অমা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে।

চেন্নাইদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অমনা হায়জরকখিবা অদু ককথৎলদুনা জষ্টিস অরুন মিশ্রনা লূচিংবা ভেকেসন বেঞ্চ অমনা মদু ‘ননসেন্স’নি হায়খি।

ই ভি এমশিংদা ফংলিবা ভোট পূন্নমক অদু ভি ভি পি এ টিশিং অদুগা ভেরিফাই তৌনবা পেটিসন অদুনা কোর্ট অসিনা দিরেক্সন অমা পীবীয়ু য়াজরকখিবনি। পিটিসনরশিং অদুনা মতুংগী মীখলশিংগীদমক ই ভি এমশিংবু ওপ্টিকেল বেল্লোট স্কেন মেচিনশিংনা মহুৎ শিন্দোক্লবসু দিমান্দ তৌখি।

ওপ্টিকেল স্কেন ভোটিং মেচিননা ভোটর অমবু বেল্লোট পেপর অমগী মথক্তা মখুৎনা মখোয়গী ভোট অদু মার্ক তৌদুনা থাদবা য়াহল্লি। মসিগী বেল্লোট পেপর মখল অসি ইলেক্ট্রোনিক টেবুলেসনগীদমক স্কেন তৌগনি।

লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েন শঙ অসিনা ৱাকৎ অসিবু ককথৎখিবা অসি ওপোজিসন পার্টি ২১না এসেমব্লি সেগমেন্ট খুদিংমক্তা সুপ্নগী ৫ মশীং থীবগী মহুত্তা ই ভি এম পেপর ট্রেল মেচিন য়ামদ্রবদা চাদা ২৫ মশীং থীনবা হায়জরকখিবা অমা কোর্ট অসিমক্না ককথৎখিবা অদুগী চয়োল খরগী তূংদনি।

করিগুম্বা এসেমব্লি সেগমেন্ট খুদিংমক্তা ভি ভি পি এ টি মেচিনশিংগী চাদা ৫০ মশীং থীবা তারবদি লোক সভা মীখলগী ফলশিং নুমিৎ ৫নিগী মতম থেঙথগনি হায়না এপ্রিল ৮দা পাংথোকপা হিয়ারিং অমদা ইলেক্সন কমিসননা মরৈ য়েংখি।

হিয়ারিং অদুদা খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা ইলেক্সন কমিসনদা লোক সভা মীখলদা এসেমব্লি সেগমেন্ট অমমমগী পোলিং বুথ ১দগী ৫ফাওবা ভি ভি পি এ টি স্লিপশিংগা ই ভি এম শিংগা রেন্দম ওইনা চাংদন্নবা হেনগৎনবা ইলেক্সন কমিসনদা খংহনখি। মদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিং খক্ততা নত্তনা ইলেক্টোরেল পূন্দসু মপূর্নিং পেনবা হেনগৎহনগনি হায়খি।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লূচিংবা হেন্না চাওবা বেঞ্চ অমনা হীরম অসি হান্ননা পায়খ্রে অমসুং ওর্দর অমসু পাস তৌখ্রে হায়না ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি।

সি জি আই বেঞ্চ অমনা হীরম অসিগী মতাংদা হান্ননা ৱারেপ লৌখ্রে। মখোয়না হীরম অসি ভেকেসন বেঞ্চ অমগী মমাঙদা করিগী পুখৎলক্লিবনো। ঐখোয়না মসি অসুম তৌদুনা লৈরবদি দিমোক্রেসিদা অৱাবা তারক্কনি। মসি (পেটিসন) ‘ননসেন্স’নি হায়না জষ্টিস মিশ্রনা হায়খি।

# মসি এক্সিট পোলস নৎতে এন্টর্টেন্মেন্ট পোলনি ঃ কমল নাথ

**ভোপাল, মে ২১(এজেন্সি)ঃ** মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা হন্দক্কী লোক সভা মীখলশিং অদুদা বি জে পিনা লূচিংবা নেসনেল দিমোক্রেটিক এলায়েন্স (এন দি এ)গীদমক মেজোরিটি অমা ফংগনি হায়না মাঙজৌননা ফোঙদোকখিবা এক্সিট পোলশিং অদুবু একজিট পোলশিং নৎতে মখোয়দু এন্টর্টেন্মেন্ট পোলশিংনি হায়না ঙসি করেন্নখ্রে।

মখোয় অসি একজিট পোলশিং নৎতে, অদুবু এন্টর্টেন্মেট পোলশিংনি। অশেঙবা অদু ভোট মশীং থীবা নুমিৎ মে ২৩দা ফংলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা ভোপালদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর অসিনা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)দা নোক্লরদুনা হৌজিক অসি একজিট পোলনা হায়বা মশীংদা য়ুমফম ওইরগা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী চৎনবী অমা লৈরে হায়খি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা ই ভি এম স্কাম অনৌবা অমা থোরক্লে। মদুগী অচুম –চুমদা অদু ফল হায়দোকপা নুমিৎ মে ২৩দা খংলগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# বেঙ্গলদা ত্রিনাবুল ৱার্করশিংনা বি জে পিগী মীওই ৫ ফুখ্রে

**কূচ বিহার, মে ২১(এজেন্সি)ঃ** ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কূচ বিহারগী মনূংদা লৈবা সিতাইদা ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেস (টি এম সি) ৱার্করশিংনি হায়বা মীওইশিংনা ঙরাং নিংথৌকাবগী নুমিদাংদা ফুরকপদা য়ামদ্রবদা বি জে পিগী ৱার্কর ৫ শোকখ্রে।

হন্দক্কী লোক সভা মীখলশিং অদু ৱেষ্ট বেঙ্গলদদি বি জে পি অমসুং টি এম সি অনীমক্না অমনা অমদা রিগ্গিং তৌবা, পোল্লিং বুথতা খূৎ থিংজিনবা অমসুং ফুগনি, হাৎকনি হায়বগী কীহনবগী মরান শীনখিবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিং লৈরবা ফাওবদসু হীংশাগী থৌদোকশিং থোকখি।

মীখলগী ৭শুবা তাঙ্কক–মে ১২দা ভোট থাদনবদা বঙ্কুরাগী পোলিং বুথ নম্বর ২৫৪দা টি এম সি অমসুং বি জে পি ৱার্করশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি। খূৎপু অনী অদু ওনশিন্নদুনা খূৎ থানগদবগী মতাং য়ৌশিল্লকপদা মখোয়বু তানখাইনবা পুলিসনা থবক লৌখৎখি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাংথোকখিবা লোক সভা মীখলগী তাঙ্কক ৭মক্তা হীংশা থোকখি। অদুবু হীংশাগী থৌদোকশিং অদু টি এম সি অমসুং বি জে পিনা অমনা অমদা মরান শীখি।

# উদধব থাক্করে এন দি এ লূচিংবশিংগী চাক্লেন– মীফম য়াওগদৌরি



**মুম্বাই, মে ২১(এজেন্সি)ঃ** ঙসি নুমিদাংৱইরম ন্যু দিল্লিদা বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা য়ুম্ব ওইদুনা শিনগদৌরিবা এন দি এ লূচিংবশিংগী চাক্লেন–মীফমদা শিব সেনা প্রসিদেন্ট উদধব থাকরে য়াওগনি হায়না সেনিয়ার সেনা লূচিংবা সঞ্জয় রাউতনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা চাক্লেন অদুদা য়াওরনব থাক্করেদা বার্ত্তন তৌরকখ্রে হায়না রাউতনা পি টি আইদা হায়খি। মীফম অদু য়াওবা চৎপদা সেনা লূচিংবা অদুনা মহাক্কী মচানুপা অদিত্য থাক্করে অমসুং পার্টি ভেটেরান সুভাস দেশাইগা লোয়নগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# পার্টিগী মায়োক্তা লৈবা বি এস পি সেনিয়ার লিদর সস্পেন তৌখ্রে




**লখনৌ, মে ২১(এজেন্সি)ঃ** ময়াবতিগী পার্টি বি এস পিনা পার্টি অসিগী সিনিয়ার লিদর অমসুং হান্নগী মিনিষ্টর রামবির উপধ্যায়বু পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌবগীদমক ঙসি পার্টিদগী সস্পেন তৌখ্রে।

রামবির উপধ্যায়বু উত্তর প্রদেশ ষ্টেট এসেমব্লিদা পার্টি অসিগী চীফ হ্বীপকী ফমদগীসু লৌথোক্লে হায়না বি এস পি জেনরেল সেক্রেটরি মেলাৱার গৌতমনা ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক পাংথোকখিবা লোক সভা মীখলশিং অদুদা রামবির উপধ্যায়না আগ্রা, ফাতেহপুর সিক্রি, আলিগড় অমসুং অতৈ কনষ্টিট্যুয়েন্সিশিংদা পার্টিগী মীরেপশিংগী মায়োক্তা ফোঙনা লেপখি অমসুং ওপোজিসনগী মীরেপশিং শৌগৎখি হায়না মহাক্না হায়খি।

# পোলিশ আর্ম ফোর্সেস কমান্দরনা পাকিষ্টান এয়ার ফোর্স (পি এ এফ)পু থাগৎখ্রে



**ইস্লামাবাদ, মে ২১(এজেন্সি)ঃ** লেফটনেল জেনরেল জারোস্লো মিকা, পোলিশ আর্ম ফোসেস কমান্দরনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইস্লামাবাদতা এয়ার হেদক্বার্টরসদা লাকখ্রে।

মহাক্না হেক থুংলখিবগা পাকিষ্টান এয়ার ফোর্সকী মশা খিঙলবা কন্টিঞ্জেন্ট অমনা গার্দ ওফ ওনর পীখি।

পাকিষ্টাননা লাক্লিবা পোলিশ আর্ম ফোর্সেস কম্মান্দর অদুনা মর্টরস মোনুমেন্টতা লৈ পরেং কৎতুনা পাকিষ্টান এয়ার ফোর্সকী মর্টরশিংদা ঈকাইখুন্নবা উৎখি।

মদুগী মতুংদা শক্নাইরবা মীওই অদুনা এয়ার চীফ মার্সেল মুজাহিদ অনৱার খান, চীফ ওফ দ এয়ার ষ্টাফ, পাকিষ্টান এয়ার ফোর্সকা উন্নখি। উন্নখিবা অদুদা রিজনেল সেক্যুরিটি অমসুং লৈবাক অনীগী তেঙবাংনবগী হীরমশিং খন্নখি।

পোলিশ আর্ম ফোর্সেস কমান্দর অদুনা পাকিষ্টান এয়ার ফোর্সকী থাক ৱাংলবা প্রোফেসনেলিজম অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

শক্নাইরবা মীওই অনীমক্না লৈবাক অনীগী মরক্তা অমগা অমগা তেঙবাংনবা কনখৎনবা অমসুং পাকথোক–চাওথোক্লবা অমসুং দিফেন্সকী মরীশিং হেনগৎনবা য়ানখি।

# য়ু এসনা উংখৎনবা ৱাংখৎলক্লবদি চৈনাগী ফলশিং ফংগনি হায়না ইরাননা ৱার্নিং তৌখ্রে

**টেহরান, মে ২১(এজেন্সি)ঃ** করিগুম্বা ইরানগা লৈরিবা উংখৎনরিবশিংদগী অমুক হেনগৎলক্তুনা খূৎ থোক্লবা অমা থোক্লকপা তারবদি অকনবা চৈনাগী ফলশিং ফংগনি হায়না ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জবাদ জারিফনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শন্দোকখিবা সি এন এনগা উন্নবা অমদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জারিফনা য়ু এসপু য়াম্না, য়ান্নাখুদোঙ থিনিঙাই ওইবা গেম অমা শান্নরি হায়না মরান শীখি।

ইরানগী মায়োক্তা লানগী থাক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লবদি মদু মীপূম খুদিংমক্কীদমক অকনবা চৈনাগী ফলশিং ফংগনি, মসি শোয়দ্রবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ইরানগী নাকন্দগী কিহনবগী থবকশিং চখরকই হায়বগী মমিংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পার্সিয়ান গল্ফ রিজনদা নেভিগী এয়ারক্রাফ কেরিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপ অমা অমসুং অচৌবা বি–৫২ বোম্বরশিং থাজিনখি।

অপীকপা ঈশিং লম্বী অমদা মিলিটরি এসেটস পূন্নমক অসি থমজিল্লকপনা এক্সিদেন্ট থোক্নিঙাই ওইহল্লি। মরুওইনা নখোয়গী মীওইশিংদি এক্সিদেন্টশিংদা হরাওই। মরম অদুনা য়ান্না থম্মোই শেঙবা চংই অমসুং য়ু এসনা য়ান্না শাথিনা খুদোঙ থিনীংঙাই ওইবা মশান্না অমা শান্নরি হায়না ঐখোয়না থাজে হায়না ইরান ফোরেন মিনিষ্টর জারিফনা হায়খি।

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাইনিজ দ্রোনশিংনা দাটা হুরানখিবা য়াবগী ৱার্নিং তৌখ্রে ঃ রিপোর্ট

**বৈজিং, মে ২১(এজেন্সি)ঃ** অমেরিকান মেদিয়াগী রিপোর্ট অমগী মতূং ইন্না চাইনিজ–মেদ দ্রোনশিংনা হুরানখিবা দাটা বৈজিংগী স্পাই এজেন্সিশিংদা অমত্তা খাক্তনা ফংহনখিবা য়াই হায়না ৱাসিংটননা চেকশিন্নবা ৱামাঙ য়ানখ্রে।

চিনাদা শাবা দ্রোনশিং ওর্গনাইজেসন অমগী ঈ–পাউদা ওইরকপা য়াবা খুদোঙথিবা অমনি। হায়না ঙরাং দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সেক্যুরিটি (দি ঐস এস)না এলার্ট অমা থোকখ্রে হায়না সি এন এন গী পাউনা হায়রি।

দি ঐস এস এলার্ট অদু পল্লদুনা সি এন এননা হায়খি, ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংবু দাটা অদুদা অথিংবা অমত্তা য়াওদনা ফংহন্নবগী অয়াবা পীরিবা ওথোরিটরিয়ান ষ্টেট অমগী টেরিটোরি মনূংদা অমেরিকান দাটা পুখিবা টেক্নোলোজি প্রদক্কী মতাংদা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা কন্না নুংনাংবা ফোঙদোকখি। চিনাগী টেক্নোলোজি জাইন্ট হুৱাৱৈদা অমেরিকান কম্পেনিশিংবু য়ু এস টেক্নোলোজি য়োনবা নৎত্রগা ট্রান্সফর তৌবদা য়ু এসনা অকনবা অথীংবা থমখ্রবনি।

# ইরাননা য়ুরেনিয়ম পুথোকপা শরুক ৪ হেনগৎখ্রে

**টেহরান, মে ২১(এজেন্সি)ঃ** য়ু এসকা ৱাংনা উংখৎনরকখিবগা লোয়ননা ইরাননা লো–এনরিচ য়ুরেনিয়ম পুথোকপা শরুক ৪ হেনগৎখ্রে হায়না সেমি–ওফিসিয়েল ন্যুজ এজেন্সি অনীনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

পুথোক্লিবা অদু মালেমগী শক্তি লৈবা লৈবাকশিংগা টেহরানদা তৌনখিবা ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার দিল অদুদা থমখিবা অকক্লবা ঙমখে ৩.৬৭ পার্সেন্ট অদুখক্কী থাক্তা য়ুরেনিয়ম এনরিচ তৌখিবনি হায়না পাউশিং অদুনা হায়খি। অদুবু মদুন্না তাক্লিবদি ন্যুক্লিয়ার এগ্রীমেন্ট অদুনা থল্লিবা য়ুরেনিয়ম পুক্কেগী অকক্লবা চাং অদুদগী হেন্না ইরাননা থুনমক পুথোক্লগনি হায়বনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-128**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | 6 | | | 4 | | | 2 |
| | 4 | | 1 | | 3 | 9 | | |
| | 8 | | | 2 | 6 | 1 | | |
| | 2 | | 9 | | | 6 | 4 | |
| 3 | 9 | 4 | | | | | | 1 |
| | 6 | | | 1 | | | | 9 |
| | 5 | | | 4 | | | 2 | |
| 2 | 3 | | | | | | 1 | |
| | 1 | 8 | 2 | | | | | |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 01/04/19
Valid : 30/03/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 03/04/19
Sl. No. : 0892
Valid : 01/04/19
Sl. No. : 9831
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 20/05/19
Valid : 16/05/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**T D K Gas, Sekmai**
Booking : 12/04/19
Valid : 05/04/19
Stk : 812
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 09/04/19
Valid : 05/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 02/05/19
Valid : 10/04/19
Stk : 306, 19kg Avilable
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**K & K Indane Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Khurkhul Indane**
Booking : 08/04/19
Valid : 06/04/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 noon

**J. Rongmei SK Indane**
Booking : 06/04/19
Valid : 04/04/19
Sl. No. : 3878
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
No Booking Required
Stk : 306
Time : From 08.00 a.m.

**Haran Velley Gas, Kwakta**
Booking : 11/04/19
Valid : 07/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.30 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 27/04/19
Valid : 26/04/19
Sl. No. : From 30105 to 30485
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 29/03/19
Valid : 12/03/19
Sl. No. : 45385
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 12/04/19
Valid : 03/04/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m

**সনা–সুদোকু – ১২৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 7 | 8 | 1 | 3 | 2 | 5 | 6 | 4 |
| 4 | 5 | 2 | 6 | 9 | 8 | 7 | 3 | 1 |
| 3 | 6 | 1 | 4 | 5 | 7 | 9 | 8 | 2 |
| 8 | 2 | 6 | 9 | 7 | 1 | 4 | 5 | 3 |
| 1 | 4 | 3 | 8 | 6 | 5 | 2 | 9 | 7 |
| 7 | 9 | 5 | 3 | 2 | 4 | 8 | 1 | 6 |
| 5 | 1 | 9 | 2 | 4 | 3 | 6 | 7 | 8 |
| 6 | 8 | 4 | 7 | 1 | 9 | 3 | 2 | 5 |
| 2 | 3 | 7 | 5 | 8 | 6 | 1 | 4 | 9 |

# আই এ এফ মিসাইলনা মশাগী হেলিকোপ্টর কাপথখিবগী ইনক্বাইরি লোইশিল্লগনি

**ন্যু দিল্লি মে ২১(এজেন্সি)ঃ** ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা শোয়বদগী ফেব্রুৱারি ২৭তা মখোয় মশাগী এম আই –১৭ হেলিকোপ্টর কাপথখিবা অমসুং মদুদা তোংবা আই এ এফ পার্সোন্নেল ৬ অমসুং লৈমাইদা মীচম অমা শিখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চখরকখিবা আই এ এফকী ইনক্বারি অদু নুমিৎ ২০নিগী মনূংদা লোইশিল্লগনি।



মদুগী মতূংদা খুদক্তা সম্মরি ওফ ইভিদেন্স অদু পুথোক্লগনি অমসুং মীওই ৭ অদু শিখিবগী দায়ত্ব ওইরিবশিং অদু এয়ার ফোর্স এক্ট ১৯৫০গী মখাদা লৈরিবা মিলিটরি লোগী মতূং ইন্না চপ চানা মীহাৎপা চিংদবা কলপেবল হোমিসাইদকী মরান শিরবা য়াই।

ফেব্রুৱারি ২৭কী অয়ুক পূং ১০দগী ১০.৩০গী মরক্তা লাইন ওফ কন্ট্রোল লানশিল্লকখিবা এফ –১৬শিংগী গ্রুপ অমা য়াওবা পাকিষ্টান এয়ার ফোর্স ফাইটর ২৪ ফাওবগী খূৎপু অমবু মরক থৎনবা আই এ এফ ফাইটর প্লেন ৮ থাজিনখি অমসুং জম্মু এন্দ কাস্মিরদা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা লৈবা ইন্দিয়ান আর্মি পোজিসনশিংগী মায়কৈদা মিসাইলশিং কাপখি।

ইজরেলনা শাবা স্পাইদর সরফেস টু এয়ার মিসাইল অমা শ্রীনগর এয়ার বেজদগী ফেব্রুৱারি ২৭তা কাপখিবগী সেকেন্দ ১২গী মতূংদা ইন্দিয়াগী হেলিকোপ্টর অদু মকুপ তানা থুগাইখিবনি।